


*‘অঙাওবী নৎত্রগা অহল ওইদুনা শূবা নোম্বা ঙমদ্রবী নত্তনা মৈতৈ নুপীনা মচিঞাক্কীদমক ভিক্ষা নিদে। কৈদৌঙৈদা নিরক্তবা ওইসনু।’*

*- সিনাম কৃষ্ণমোহন সিংহ (মৈতৈ নুপী)*

## ঐচাম্বেং

### ঐখোয়গী লীংজেল থৌনা

**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

তোমথিন ঙাল্লিবনি
অৱাং নোংপোক্কী চীদাইদা
লমদম অসিগী মৈরী মঙালনা
ঙালহল্লিবনি ঙসিগী মালেম অসিদা।
মশক তাক্লিবনি ঐখোয়গী হৌরকফম
মশক তাক্লিবনি ঐখোয়গী লৈফম
ঙসিগী পাক চাওরবা মালেম অসিদা।
ইশাগী শক-চু
ইশাগী হৌরকফম করিনো খঙনা
চৎহৌদবা তারগদি লুপখিগনি
নোংমদি মালেমগী ইরোলনুংদা।
ফজখ্রবা তাইবঙ অসিগী নীংথিজখ্রবা
শক-চু কয়া অসিগী মরক্তা
ঐখোয়গী নাৎ অমসুং শক্তম অসিনা
মালেম অসিদা শক তাকচরি।
ঙসিগী মীরোলনা মসিবু কাওফদে
থন্বীরল্লিবা পুক্কে লনগৈবু
ময়েং তাখিদনবা
শেমজিন শাজিনবা তাই।
অনৌবা ৱাখলগা লোয়ননা
অনৌবা য়েনিং হুলহনসি
অপূনবগী লিংজেল থৌনাগা লোয়ননা।

### থৱান থাদা থীবা খুদি

**—ঙাংবম ওংবী অখোম য়ান্দিবালা**

হিচম য়াইচম পাৎতা
খুদি থীরুবদগী
চোইরোন্দা লোন্দুনা লৈরে
লায়ওং খঙদনা নারে মায়পাকপীদু,
মাইবা মাইবী শুরে
কনাগী ত্রিপুরা মাইবা
ইপু মাইবা তাংখুল মাইবা
মাইবী চন্দ্রজিনী, মাইবী থরোশংবী
মাইবী অপাবী শুরে পূম্নমক
পুখ্রি খোংবান লৈগা লাগনা পুংথন
লা লাতোন্দা হাপ্নবা
শেনয়েক অচোইবা থিবদা ৱারে।

পাম্বৈ লৈত্রে নমথবা য়াদ্রে
থৱান খুদিংগী শাফোংলকপনি হায়রে।

মচিন্দা মুরুম মুরুম শোন্দুনতা লৈরে
করিগুম্বা মতমদা য়াম্না হৌনা
দ্রামাদৌনা খোঞ্জেল ৱাংনা লাউরকই
‘ইমা লৈবাকপু নুংশিজবা
কখোকপা ঙম্বগী থৌনাদি
কয়া য়াওদবা
ময়ামগীদমক কোয়চেন চেনবশিংনা
ৱাই চাইরে খোঙ থাংফম খঙদ্রে
অদুনা ঐ মালেমদা অমুক হল্লক্লরোই
ঐনা অমুক হল্লক্লবদি
উখিনি শেরান তুরান।

### লোৎলগে

**—নির্মলা রাজকুমারী**

ফাগী পুবা ঐগী
মোমোন নোকপা মায়থোংসিদা
খঙলোই কনানসু
লোৎতুনা লৈরি হায়বা
অৱাবা ৱারী কয়া অমা।
অদুবু লীথোক্লরোই কনাদসু
ঐগী অৱাবা ৱারী।
লীরগে নুংঙাইবা ৱারীনা মহুৎ শিন্দুনা।

### নহাকপু থীবদনি ঐনা ঙাউরিবা

**—অয়াম ইবেতোম্বী**

নহাকপু থীবদনি ঐনা ঙাউখিবদু
নহাকপু ফংলগসু অদুমক ঙাউরি
নহাক্কী ৱাখলতনা ঐবু ঙাউহল্লি।

নহাক্কী পাউতাকশিংনা ঐবু ঙকহল্লি
ইনাক্তা নকশিন্না ফম্লগা তাকপীবা,
লৈহৌবা লৈনমদুনা অমুক্কসু ঙাউহল্লি।

হে! শকউদবা লৈশেম্বা,
তিঙ্খাংদগী লৈরাং ওলহন’ঙম্বা
নঙদি অঙীংবগী শক্তমনি,

শক্তি লৈবসু নহাকনি
ঈশিংগী শক্তমসু নহাক্কি
নুংশিৎকী শক্তমসু নহাক্কি
মৈগী শক্লোনসু পুবিরি।

অতিয়া গুরু শিদবা
পুকচেল তম্পী মালেম
অৱা নুংঙাই পূম্নমক
নঙোন্দগী থোকপা ঙাক্তনি
নঙোন্দা লোইনমক তিনগদবনি
নহাকপু থীবদনি ঐনা ঙাউরিবা।

### মরুমদা

**—রাজেন্দ্রা থৌনাওজম**

লোইখ্রে নুংগী চক
নুংগুম কনখ্রে থম্মোয়দি
মীনুংশি খঙদনা হাৎপীরে
অকিবা এক্তকী মরুমদা,
কায়রবা থম্মোয়না কপচরি
থৱায়গী থৱায় অমনা,
লাম্হেংনরি থৱায় কয়াগী
হিংহৌরিবা পুন্সি কয়াগী।

তানা তানা তাখিদবা
নিংথৌগী মনা পঙখিবা
ঙরাংতা ওইরবোই খল্লুবা
চহী মশীং য়াম্লম্লে,
মীহুল কয়াসু হুল্লমদরে
থৱায় ওইরিবা মিহুলদি
চোংলি তপ্না তথক্লা
পূক্লিংগী হিমাই চুম্বীরি।

লাল্লোং হোংলে লানফমদা
ঙক্লি মীওইবা কয়ানা
য়োৎকুম মথৌ শংলবী
নুজা মহাক্তি ঙক্লম্লোই
গান্ধীজমসু কায়হন্দা
চৎকদবা লম্বী তাক্তুনা
মহাত্মাজীনা করি হায়খিবা
নেতাজী মহাক্তি ঙক্লম্লোই।

### লৈকায়দুগী অমাইবা

**—মনি থৌদাম**

মন্দিরগীদি বৈত্যানি
শক্তিতনগীনা অয়েংবশিংনি।
মাইবা মখল য়াম্মী
অনাবা য়েংবা মাইবা,
হীদাক শেম্বা মাইবা,
পুকশুবা হৈবা মাইবা,
মীহুন কাংলোনগী মাইবা,
লৈকায়দুগী মাইবা অমাইবা,
অখঙবা ডাক্তরনা খূৎ থারবা
পুক পায়দুনা বৈত্যা ওই
খাঙেনফমদা থিন্দোকপা অমাইবনা।
লৈকায়গী মাইবনি হৌজিক্তি
মসিনা হেন্না কান্নরে।
শোন্নপুংগী লৈতেংনা মীয়ামনি
কৃক কৃক ইন্না ফম্লিবা
খুঙ যূমবু শাদুনা
শেন্থা শেনয়েক য়েংলিবা
ঙসিগী অহোংবা মতৌনি
তম্বীরুনু তেনৱাদা খঙনবা
নঙগী অনৌবা চৎনবী।
মহৌশাগী শকফম থুগাইবা
থারুনু শেল মীয়ামদা
ঈজৎতা ইমুং মুৎলনি।
ঐখোয়গী চৎনবীদা চান্নদে
মতৌ তম্বা পাম্লনু।


### কলম

**— থোকচোম রবিচন্দ্রা**

কনা অমত্তনা তাবীদসনু
লীগে ৱারী তমগে ইপাউ
অরোনবা থমদা, অখাকপা লৈত
নঙগী নফমদা।
মায়থোঙদা তাহনদ্রবা
ঐগী থম্মোয়গী মমিসে
তাহনবীয়ু অঙৌবা চেবাংথক্তা
তাবিনবা লৈত্রবা ঐগী ৱারী।
ইবীয়ু নঙনা
পুৱারীগী লমাই মশীং লাকঙমদনা
নঙনা ইরক্লিবদাই
শুপ্নতংগী লমাই অমতংদি
ঐগীদমকসু ইবীয়ু।
কনানসু পাবিদনা কাচিন অমদা
তাদুনসু লৈসনু
ইতদি ইবিয়ু, তাদদি তাবিয়ু ঐগী ৱারী।
থম্মোয়গী নিংথৌ ওইবীয়ু
নঙগী ৱায়েল পূম্বা য়াজগে
পেন্দ্রবা থম্মোয় পেঞ্জগে
ইতদি ইবিয়ু, তাদদি তাবিয়ু
কলম নহাক্লা ঐগী ৱারীসে।

# লৌবুক্কী মনম

## (লৌবুক্কী, অতোন-অতাগীদমক নিংদোন পোল্লিবা কবি নহা অমা)




পাউদম্লিবাঃ সলাম তোম্বা

| | | |
|---|---|---|
| মমিং | ঃ | লৌবুক্কী মনম |
| মখল | ঃ | শৈরেং |
| অইবা | ঃ | তোংব্রম অমরজিৎ সিংহ |
| ফোঙবা চহী | ঃ | ২০১৩ |
| অফোঙবা | ঃ | সরদা ট্রান্সলেসন্স এন্দ পব্লিসিং গ্রুপ |

**থোমাস** কার্লিলনা হায়, “কবিগীদমক লাইনা মী তোঙান্না শারক্তে। মী খুদিংমক কবিনি।” ৱাফমসিনা কুইনা চৎনরক্লবা জে এস মিলখোয়গী ৱাফম ‘নাসস্টিুর পোইটা’ (Nascitur Poeta) হায়বদি কবিদি পোক্লক্লদবনি, শেম্বা য়ারোই হায়বদু ময়াই চমখ্রে। অদুদি ঙল্লিঙৈগী ক্লাসিকেল লিটরেচরগী থাজবী অসিগা কার্লিলগী ৱা অসিগা কদায়দা উনবা য়ারি। য়েংবা য়াই, কার্লিলনা হায়, মী অমগা মী অমগা কৈদৌনুংদা সেন্সিবিলিটি হায়বদি পূক্লিং মতা খক মান্নদে। কনা অমনা লৈনমদা ঙাওই, কনা অমনা লৈচুদা ঙাওই। অদুনদি অনী অদুনা ইরকপা শৈরেং খক মান্নবা য়াররোই। অমুকসু কনা অমনা মপান্থোংগী মশক্তা ঙাওই, কনা অমদি নুংগী মশক থিবদা লূপচৈ। অদুননি কবি অমগা কবি অমগা মশক খেন্নরল্লিবা। জে এস মিলনসু হায়, “কনাগুম্বা অমনা ফজবা শৈরেং ইবা ঙম্বদি য়াই অদুগা কবি ওইদবসু য়াই। অদুবু মীওইবগী লকানুংগী হুল্লিবা মিহুল অদুবু তশেংনা ফোঙদোক্তুনা ইবা ঙল্লবদি মহাক্তু কবি ওইরবনি।” অদুনদি মত অনীসি করিসু খেন্নদ্রে। লুরিবদি পূক্লিং মতা অসিনি। চাউচৎ চৎপা মী অমনা হঙ্গাম মপালগী মনম ফাওবা ঙল্লোই। ফৌ লংচাক হাল্লকপগী, ফৌ মরায় লুক্লকপগী, শম্লা হায়রবদা লৌবুক্কী মনম কনানবু থওইনা নম্নবগে? অদুবু কবিদি মনম ফাওই। কবিদি হঙ্গাম মপালগী মনমদা, ফৌগী মনমদা, লৌবুক্কী মনমদা ঙাওজে। অদুদগী হেন্দোক্তুনা কবি পদ্মকুমারদি ‘ইমাগী মনম’ দা ঙাওজে, পুন্সিগী অরোইবা মিৎকুপফাও ইমাগী মনমদু ঈখৌ লাংজখি। কবি থাংজম ইবোপিশক্তি ‘মীগী মনম’ মুন্না খঙই। অদুগা ঙসি পায়খৎলিবা লাইরিকসিগী অইবা অমরজিৎসু লৌবুক্কী মনমদা পোত্থাফম খঙজদে। ঐখোয়গী লাইবক ফবনি।

ঐনা মসি পঞ্জরুবগী মরমদি হৌরল্লিবা কবি নহাশিংগী মরক্তা Pastoral কবিশিং য়াওরকপা তরাম্না ওকফম থোকই হায়জবনি। সহরগী অইবশিংনা ফাওরিবা সেন্সিবিলিটিগা খুঙ্গংগী অইবশিংগী ৱাখলগা অদুম খেন্নবা তাবনি। অমরজিৎ খুঙ্গং কবিনি। মাগী অকোয়ববু খক মানা মীরায়দে। লোক্তাক্কী, লৌবুক্কী, চীং-মানগী মশক হোংলকপা খুদিং মাগী মিহুল চেনগুম চেনগানৈ। লৈতাফম খঙজদে। মসিদি অফবা খুদমনি। খুঙ্গংগী কবি য়াম্না ৱাৎলিবনি।

অমরজিৎকী শৈরেংদা ফিরোল নাইনা য়োমদুনা মকে শেম্বা শৈরেং থোইনা থেংনদবা য়াই, ৱাহৈগী লৈতেংগী থোইনা মহাক খল্লুদে, মাগীদি মীচমগী শৈরেংনি, লৌমীগীনি, পাৎমীগীনি, কৈথেলদা দুকান অচৌবনা লংথোকপা তিলহৌ খুল্লিবী লায়রবীদুগী শৈরেংনি, অমুকসু লৈরিক কেনখ্রবা লৈনারক্তগী লৈনম অমতং থিজবনি, ইতিং তিংনা। অদুবু ইংরাজি কবি জোন মিলটন্নসু হায়, "Poetry must be simple, sensual and impassioned". মসিনা তাক্লিবদি ফজবা শৈরেং অমগীদমক Rhyme নচিংবসি তঙাইফদবা নত্তে। চম্বগীসু ফজবা লৈ। মদুমক্লি অমরজিৎকী শৈরেংশিংগী ফজবা। অমতং য়েংবা য়াই, “মোংফম হায়দো কিরুদ্রে অঙাংশিংনা/মপাশিংনা য়াতাখিবা ওইবনা/অদুবু অঙৌবা জিপসিবুদি/কিদবা ঙমদে।” (অঙৌবা জিপসি, লা: ২০) কয়াদা চম্না, কয়াদা ফজনা ফোঙদোকখ্রবা, ঙসি ঙসিমক থোক্লিবা ঐখোয়গী খুন্নাইসিগী মশক অমা। মরাল লৈতনা ফাদুনা পুখ্রগা হাৎপিখ্রবা থৱায়দুগী মচাশিংদা ফাওহৌরিবা ৱাখলনি, ফোঙদোক্লিবা। অমুকসু য়েংবা য়াই, খুঙ্গংগী লাইরবী ইমাশিংনা ৱানা ঈশিং চাইদুনা কালেনগী লৈতংগাই মথক্তা ৱানা হোৎনজনা হৌহল্লকপা ফদিগোম মপুলশিংদু কৈথেল য়ৌবদদি কয়াদা লায়না উবিখ্রবা। অমরজিৎকী ৱাহৈদা, “লাকথুদুনা লুকমাইদগী/সহরগী ইন্দোলশিং, মেম সাহেবশিংনা/পীরমদনা ঈশিংগী মমল/লৈখি ফদিগোম মপুল মপুল।” (ফদিগোম মপুল, লা: ২২) ফজনা ফোঙদোকই হায়নীংঙি। অমুক্লা কবি নহা অসিনা পোত্থাফম খঙদে, লৌবুক মাঙশিল্লকপদা, লৌমীশিংগী ফিভম্না নোংমা নোংমগী শোকচিল্লকপদা। অদুবু থৌনা পীবা নত্তনা করিদি উপাই লৈ, অদুনা মানা হায়, “চরোং চুল্লবা সনা ফৌগী/পাক্ল লৌবুক কয়ানা/পোইনু থাবু ঙাইজরি/লৌমী নঙগী ষণগাড়ী পরেংগী শরিক মখোলসু।” (লৌবুক্কী মনম, লা: ২৫) মিৎতা শংশং উহল্লি। নহা ওইরবসু কবি অসিদি মীগুম সহরদা চেনখৎতুনা লৈনবসি পামজদে। ঈনা কুপ্পা মাগী খুঙ্গংগী য়ূম অদুদা মিত্তা উই। অদুনা “ভাড়াগী য়ূমদা” হায়বা শৈরেংদা মহাক্ল। ঙসিগী মতমসিগী নহারোলগী লোনচৎপু পামজদনা ইরি। মাগী ৱাহৈদা, “অমন্বদা পৈশা তূংশিন্নৈ/অরংবা খুদোপ, খুজি, লিকফাং লেপশিন্নৈ/ঐগী নুপীগী ইচাগী/কনা উবা ঙল্লক্তে/পলেম পন্থৌ নাথৈনৈ।” (লা: ২৭) তশেংনা থোক্লিবা মতৌনি। নহারোলশিংদা ঈঙ্গিৎ পীবা শৈরেংনি হায়নীংঙি। মসিনা লোইদ্রি, লৈঙাক মপুগী নাতোন শুমাঙদা থোকপা থৌদৌ, মিৎনফাও য়েংবীদবা, কবিসিনা পেন্দনা ইরি, “ফুদিৎ খপ্লি ইনেনা/খ্বাংচেৎ মচি লাংনা/এসেমব্লি লম্বী মপান্দা/তিলহৌ অপৎপা খোক্লা/আলু অপৎপা খায়না/নুমিদাং চারা থিরক্লি।” (আলু বোড়া, লা: ৩৪) সহরগী অথীবা মশক অমা ফজনা ফোঙদোকপা ঙম্মী হায়নীংঙি, চম্না।

লাইরিকসিগী ৱামাঙ য়ানবা ওইনা রোবিন এস ঙাঙোম্না ফজনা হায়রি, “অমরজিৎকী শৈরেংবু থৱায় হাপ্লিবসি নুংশিবনি। হৌজিক মালেম্নু কনবা ঙমগদৌরিবসি মীনুংশিখক্তনি।” ওন্থোক্লা চুম্না মশক তাক্লি। অমরজিৎকী থমোয়দি মীনুংশিনা থল্লি, মশানসু হায়জে, “হিংবগী নুংঙাইবা/লৈরিদ্রা লৈকোল লৈত্রবা/লৈরাং শাৎত্রবা থমোয়গী শঙ্গায়দা।” (নঙগী চিংথ্রাও নাচোম, লা: ৩১) মঙোন্দদি মীনুংশিনা লৈরাংগুম শাৎলি, তোল্ল-তারবগীদমক কপ্লিবা থমোয়নি। অদুনা ঐখোয়গী শগোল পোনিবু থওইবীদবগীদমক পিরাং শিন্থৈ, পাউমেঞ্জৈ, “তুম্পক তুম্পক মিৎলু ঈরাং হৌনা/(নখোয়না) করি ৱাবু তমনিংবগে হায়য়ুবা/মীরোলশিংদা ঙসিগী/হৌরক্লিবা মণিপুরী খুন্নাইগী।” (সনাগী সগোল পোনি, লা: ৩০)। অমুকসু ঙসিগী ঐখোয়গী খুন্নাইগী মশক অসিবু কবি নহা অসিনা ৱাহৈ পরেং অহুম্না লায়না ফোঙদোক্লবা হোৎনরি অসুম্না, “অহিংসে য়াম্না কিরম্বনি/ইমম মল্লদুনা/অদুবু অহিংসে নুংথিলগুম্না ঙাল্লে হৌজিক্তি/নুংথিলনা হেন্না মল্লে মীরক্তদি।” (কাশ্মীরদা অহিং, লা: ৩৭) মতমসি ওন্থোক্লা ফৎত্রে হায়বদু লায়না তাক্লি। অদুগা মীচম্না উপাই লৈতবসি অমুকসু ইরি, “বুলেট প্রুফ নঙসে/লৈবা ফংলদি ফদৌনি/… লৈজনবা লায়রবা মীয়াম্না/লীৎচনবা মখোয়সু মোজা ফুরিৎ ওইনা।” (সেকেন্দ হেন্দগী বুলেট প্রুফ, লা: ৩৮) নোংমৈ পায়রিবা সিফাইনা বুলেট প্রুফ লীৎলগা, খূৎলায় পায়দবা মীচম্না নোংমৈ মরূ মায়োক্নরিবা অসিবু করেম্নরিবনি।

অতোপ্পা অমরজিৎকী মশক অমদি পুন্সিবু য়েংবা হৌরকপা ।অসিনি। অৱাববু পুন্সিগী মচু লোক্লিবা মৈরিনি হায়রি অদুগা নুংঙাইববুনা মৈনুংদা লৈরিবা সনানি হায়রি। অদুগা অমুকসু লায়র-ইনাকখুনবা অমত্তা অশিবগী খয়াত্তগী নাম্থোকপা ঙল্লোই হায়বা অশেংবা মশক্তু উৎলি। মানা হায়, “মবুক্তা পায়দুনা, মমায়দা নান্দুনা লৈরিবা মখোয়/শহী উত্তুপ্না, গাড়ী টয়ারনা/ননশিনখি মথবাক্তা, মমায়দা/… কূপশিনখি অহিংবগী লমায়শিং মৈখুনা।” (অহিংবা মী অমসুং মোংফম, লা: ৪৬) মসিনা তাক্লি, অমরজিৎ নহা কবি অতৈগুম ইঙাও ঙাওনা, শিরগা লোইরবা মপোক্লি, নুংঙাইথোক্লগা লোইরে হায়দ্রি, ইশাগী ইশক য়েংদনা মীবু পংচৈদা চৈবা অদুসু তৌদে, মহাক্তি ‘ঐ’ কনানো থিরি। পুন্সিবু মিংশেলগা পাংখক য়েক্লি। পুন্সি মিংশেলনা মালেম লৈদা তাখিবদা মাগী শক্তমসু লৈরোই হায়বা খঙজরি। অদুনা পুন্সিবু ওন্থোক্লা লুনা লৌজবা কবি নহা অমদি ওইরে। অদুগী মথক্তা মহাক্তি মশানা মশাবু ওন্থোক্লা থাজৈ, ইশাবু থাজবা ঙম্বা হায়বসি নহা অমা ওইনা অফবা খুদমনি। মানা মৈতৈ অমা ওইনা চাউথোকচৈ, ইরমদমসিবু ৱাংনা থাঙ্গৎচৈ। মাগী ৱাহৈদা, “মালেমসে চাওখৎপদা/খম থেংলে/হান্না শেম্বা কোন্না লোইবা/লমদম মাগী চক লাক্লে/… ঈ শেংনা চেল্লিবা/শিনাইদবা থৌনা/লৈরিমখৈ পীঙমগদ্রা/মায়থীবা মৈতৈশিংবু কনানা।” (কনানা হায়বা ঙম্মী, লা: ৮০) থমোয় চেৎপা মতৌনি, লৈবাকনীংবগী চপ চাবা খোন্থানি। অদুনা মানা ঙসি উরিবা মতৌশিং অসিগীদমক ৱাজৈ, কপচৈ। মানা লাউরি, “চিকমাঙ চিকমাঙ মাঙলক্লি/মৈতৈ লৈকোলগী/লোইবী নাপোমগী/মেলৈ লৈস্না কয়া/শিংঙেল কয়া/লীলি কয়া, শমজিরৈ কয়া।” (মীহিং ললোনবা, লা: ৬০) ঙসিগী মৈতৈ নুপীনা লমচৎ কোম্লকপা অসিবু ৱাজদুনা ইরিবনি। অদুনা ঐ ঐগী ইচা ইশু চেকশিন্নরবদি পূম্ন মকসি ফগনি হায়বা কবি অসিনা উই। অদুনা মানা ফজবা হ্যুমরস ওইনা ইরি, “ঐগী লোয়নবীনা/কেনা থবক চৎচবা/ঐগী পূক্লিংনা নুংঙাইজৈ। চাউথোকচৈ মাগীদমক/অদুনা মিৎয়েং কারন য়েংবীনু/মাদি মৌনি।” (ঐগী লোয়নবী, লা: ৬৯) মসিনা নুপাশিংগী লমচৎ লৈখা তারকপা অসি করেম্নবনি। অঙাং, অহল খাক্ত্রবা মচৎ অদুবু চৈরিবনি।

য়ামখ্রে, অমরজিৎনা ইরিবা শৈরেং ৫২ খক্লি, খরনা মৈচাক, খরনা পাউমেন, করেম্নবা খরা, খাঙঙমদবা খরা। অদুবু লোইনা পাউদম্বদি য়াদ্রে, মফমসিদা । অহানবা খূৎথাদা মায় পাকই, অদুবু শৈরেংশিংসি থমোয়গী ঈহুল, পূক্লিংগী ঈহুল অদুগী মচু লোকপা শোন্তক তারি। শৈরেংগী ফজবা (Poetic beauty) হায়বা অমা লৈ। মসি ৱাৎপদা Prosaic ওইবা হায়নৈ। Prosaic ওইবা শৈরেং খরসু উই। মসি ফনা ওইদুনসু অমরজিৎ মশাগী মশক অমা পুরগা চঙশিল্লকইবা কবিনি। খুঙ্গংগী কবি অমা হেনগৎলকপনি। তরাম্না ওকফম থোকই। মথংগী শৈরেং ঙাইরি।

## নওলোকপা

# ‘থোঙ্গাল অচৌবা’

### অজিত অনুভুতিনা ইবা হিন্দী ৱারী মচাগী লাইরিক ‘কান্টি কা কফন’ দগী লৈমপোকপম বেদান্তীনা মীতৈলোলদা হন্দোকপা

**রেলৱেগী** থোঙ্গাল অচৌবদু হেক লান্থোক্লগা কিলোমিটর অমরোম চৎলগা মাগী ক্বার্টর লৈ। মায়কৈ মরিদা উপাল-ৱাপালনা পুমকোয় কোয়শিনবা কোয়লাস থাবা লম্বীদু ফাওরগা মাগী ক্বার্টর য়ৌই। অয়ূক ঙন্তা থবক চৎপদুনা নুমিদাং থেংলবা কান্দা হল্লকই। লৱাইদা শিন্দুর তৈবা অমদি মঙ্গলসুত্র শিবদুনা মীশিংনা মাবু লুহোংলবীনি হায়বদু ফাওবদি খঙলে। অদুবু মাগী মওং মতৌদুনদি ময়ূম পানবীদি মান্দে। য়ূমদা থবক শুনবা থম্বদুসু নুপীগী মহুত্তা পাখংমচা অমা থম্মী। পাখংদুনা নুমিৎ খুদিংগী বজারদগী চাকখুমগী পোৎ চৈ এঞ্জাং নাপী লৈ । চাক থোংবা, শিৎপা-শেংবা.. গমলা শেন্নবা, পূম্নমক মাগী থবক ঙাক্তনি, হরিচরনসি মাগী মবেম্মনা লক্ষনৌদগী পুরকপনি। ভারতীগী চহী মতাংদু য়েংলগদি হরিচরনসি মচা ওইফমদি থোক্তে, মরমদি হরিচরননা পাখংমচা ওইজরবসু ভারতীদি চাউরাক্লা চহী ৩০ মুক্তা ঙাইরমখিনি। মসিদগী পংহেনদি হেল্লমলোই? কোলোনীগী নুপীশিংনা হরিচরনগা মাগী মেদামগা করি মরী লৈনবগে হায়দুনা থৌ থৌদুনা হংই।

অদুবু হরিচরন্না য়াম্না চম্না পাউখুম পী - ইমুংগী থবক লোইনা তৌই.. য়ূম শঙই... নুমিদাংদা মেদামনা পাম্লবদি ঈশিং অশাবদা থুম হাপ্লগা খুকউ ফাওবা তিংই... মদু লোইরগা ঐনা থাউ তৈদুনা মালিশ তৌই... অদুগী মতুংদা ঐদি কাদা লাক্লে অদুগা মেদামনা খোংউপ তোংদনা কার্পেট মথক্তা হঙ্গৎ হন্দা চৎতুনা লৈ। নুপীশিংদুনা অমুক পেৎ-পেৎ কোথদুনা হংই... খুকউ মথক্তি য়ৌদ্রো... য়ৌদেদা মা য়াম্না তুক্কচগল্লি। অহিং চুপ্পা অমা তূমদনা ক্বার্টরদা হঙ্গৎ হন্দা চৎতুনা লৈবা অমদি চা য়াম্না থকপননি মাগী মচিনবাল মুরিদু ... হায়না ঐনা খল্লি। অয়ূক্তা মতম চানা হৌদোকহৌদ্রবদি শাউবনা মৈ হৌই। সি খক্তনি।

ঙসি অয়ূক্তি ভারতীদু ক্বার্টরদা মথন্তা ঙাইরে। হরিচরনদু মাগী মামগী ময়ূমদা নুমিৎ নীনিখক্কী চৎখি। মাগীদমক্তা হরিচরননা খঞ্জবসি... চরা অহুমলক্কী চাবা ওক্লবা চাক-এঞ্জাং থোংলগা ফ্রীজদা হাপ্তুনা থনম্মই। অয়ূক্তা মাবু মতম চানা হৌদোকপসু কাউরমদে। অদুবু ভারতীনা মথন্তা খল্লগা নোকই, কয়াদা চমখ্রবনো... ঙসিদি নোংমাইজিংনিনে... মানা রেলৱেগী থোঙ্গাল অচৌবা লান্থোক্লগা চৎখিবা ফাওবা ভারতীনা মুন্না য়েংদুনা লৈহৌই। লাইখুরুম্বা অমদি চা-নুং থকপা লোইরগা মানা রেদিও থাগৎলুই।

পাউ লাকই, ঙরাং (১৫-৬-২০০২) দা অলকায়দাগী লালহৌবশিংনা জম্মু কাশ্মীরগী চীফ মিনিষ্টর ফারুখ অবদুলাবু হাৎনবা হোৎনরম্লে অদুবু শম্নাদা হিংহৌরে। পাউসুম তারম্বদগী ঙসিগী পাউচেদু পায়খৎকে হেক তৌবদা নুংশিৎ খঙশিৎ শিৎলক্তুনা পাউচেদু বেলকোনি রোমদগী পাইথোকখ্রে। য়েংখৎলুবদা নোং-নুংশিৎ অমা খঙহৌদনা লাক্লম্লে। ভারতীনা খূৎলৈ থুনা থোঙ-থোঙনাও পূম্বা লোনশিল্লে। বেলকোনী রোমদা হাংবা থোঙদু হাংদুনা মাঙলোমদা য়েংথোক্লুই। ক্বার্টরগা হেক মায়োক্লনা লৈরিবা খাঙপোক কুন-কুনমঙা রোমদু নোং নুংশিৎতুদগী মশা ঙাকথোক্লবা হোৎনজরি অদুবু মখোয় মায়থীরে। ভারতীনা চা অমা থক্লগা বেলকোনীগী থোঙদুদগী মপানগী ফীভম য়েংগে হায়না খন্দুনা চা লোনবা চঙলুই। চা লোল্লিঙৈদা নোং নুংশিৎ লেপখ্রে। খাঙপোকশিংদু হান্নগী ফীভমদা অমুক শেমজিনবা হৌরে। মাগীসু মপূং ফাবা ইমুং অমা লৈরম্মী। মমাদগী হেন্না ফবী মনেম্বোক, মতৈ, মনাওনুপা অমদি মপুরোইবা... মাগী মপুরোইবদি ত্রেতা য়ুগকী রামগা চাংদম্নি ংঙাইনি... ওন্থোক্লা ফখ্রে... থবক খুদিংমক মফম চানা, মতম চানা পাঙথোকই। লক্ষনৌগী নৱাবতি অদুবু ধর্মেশকী মওং মতৌসি ময়ামদগী তোঙাল্লি। মাগী মপাবুংনা মা য়েংবা চৎপদা মাগী মিৎয়েং-নায়েং, ৱাঙাঙ-শাঙাঙদু উবদা অসুক্কী মতিক পেনখ্রে মদুদি খুদক্তা ৱা হেক্তা লেপ্লরে।

লুহোংবগী নুমিৎতু হৌজিক ফাওবা নীংশিংলি... ধর্মেশনা মাবু কয়াদা নুংশিনা কৌরকখিবা “ভারতী ঐনা নঙগা লোয়ননা মৈ কৌবা লাইবু তরেৎলক কোইখি। মপোক তরেৎলক, অসুম্না হায়খিবা মাল্লি...। ভারতীদু ঙকপগা কিবগনা মশাদু লোইরে। অদুবু হায়দবা য়াদদনা হায়খি ... অদোম্না হায়বিনিংবদু হায়বিয়ু, ধর্মেশকী মমাঙদা লৈ খৎপা ফাওবা ঙমদ্রে। ধর্মেশনা মখা তারকই... নঙসু ... থবক তৌই, ঐসুনি চপ মান্নৈ... অৱা নুংঙাই অনীমক চপ মান্নবা শরুক য়ামিন্নসি... হৌজিক্তি য়ূমসি নঙগী অশেংবা য়ূম ওইরবনি। ঐখোয় ইচিন-ইনাওশিংসি চাকখুম অমত্তদা পূন্না থোংদুনা চামিন্নদুনা লাক্লি। ঐনা পাম্বদি পূম্ন মকসি য়েংদুনা অমত্তা কায়হন্দনা নুংঙাইরবা য়ূম্বাল পুন্সি অমা শেমগৎসি হায়বনি। হায়য়ুনে নঙবু ঐনা হায়বসিদা য়ানিংদবরনে? করিনো চান্নবী ইক-আক তৌদুনা লৈরিদুবো। হায়য়ুনে ঐখোয়গী লুহোংবসি নমদুনা হোংবদি নত্তেদনা... অসি হেক হায়বগা... ‘ঐ নহাক্কীনি পুন্সিগী অরোইবা মীকুপ ফাওবা নঙগা লোয়ননা লৈমিন্নগনি... অসি হায়বতদা মশাদু নিংথমথাদা হুমাংনা পুমচোৎ চোৎলি। ইকায়বদগী ওইবসু য়াই। মদুগী মতুং তারকপদা করি তৌখ্রবনো খঙদে... । মথংগী অয়ূক্তা মচেশিং অমদি মচননুপীশিংনা মঙোন্দা লক্লদুনা থৌ থৌদুনা হংই। মতমগী খোঙচৎসি শ্বাইদা লেপখ্রবগুম তৌরে। য়ূম্বাল পুন্সি অমদি লৈঙাক্কী থবক অনীসি খোঙজেল য়াংনা চপ মান্নবা চৎলি। চহী অহুমগী মনুংদা মচানুপী কল্পনাগী মথংদা মচানুপা ইন্দ্রেশ পোক্লে। য়ূমদা হরাউ নুংঙাইবগী খোঞ্জেলনা পুমনিল নিল্লে।

মচননুপী জ্যোতি হেক লুহোংবদগীদি মখোয় ইমুংদু গ্রহন লাকপগা চপ মান্নরে। মচননুপীগী য়ূম্বাল পুন্সিবু কন্নবা হোৎনবদা মখোয় মখোয়না অঙম্বা মতেং পাঙনরি, হোৎনরি। মখোয়গী নিঙোল মৱাদু মাগী তলবতুনা য়ু থকতোকই অদুগা নুপী মপামগী পৈশানা জ্বারদা থাদোকই। মমৈথংদদি খাঙবা ঙমদ্রদুনা মখোয় মবুংশিংগী ইমুংশিংদু অসুম অসুম ট্রান্সফর চৎনখ্রে। ভারতীসু মাগী মপামগী মীশিংনা লক্ষনৌদগী ট্রান্সফর তৌবীরে... মরমদি ধর্মেশকী পৈশাদা নত্তনা ভারতীগী তলবসু জ্যোতিগী শরুক ওইরক্লে। ইমুংগী ফীভম ফৎচিল্লক্ত্রে। মদু উবদগী মপানা খোঙথাং অসি লৌখৎলকপনি। মানা লক্ষনৌ থাদোকপদা মতমদুদা ধর্মেশ অমসুং মচাশিং য়াম্না কপহৌই।

করম হায়না মঙোন্দা ঙাকপীয়ু হায়রুনি, ধর্মেশনা হায়খিবদু অচুম্বক্লি, “ভারতী, য়ূমসি হৌজিক্তি নঙগী অশেংবা য়ূম ওইরবনি।” অদুগা ভারতীগী তলবতু তংখাই অমদগী হেন্না মবুংনা লৌখিবদগী অশেংবা ফীভমদু খঙলক্লে... করিগীনো ঐনা অসুক শাথিখ্রবা অশোয়বা অসি তৌরুরিবসিবো? ভারতীনা মথৱাই নুংঙাইতনা খল্লি... ধর্মেশতু করম্না ইমুং পুরমগনি? তশেংনা হায়রবদা অৱাবা তারবা মতমদা নুপীনা মপুরোইবগী মনাক্তা লৈবা য়াম্না মথৌ তাই। মাগী ওইবা মীশিংনা মাবু নুংশি হৈতবা তাহল্লে। মচানুপী কল্পনা অমদি মচানুপা ইন্দ্রেশতু মমাগী নুংশিবা পাম্লমগনি... মপুরোইবা অমদি মনেম্বোক... ত্রেতা য়ুগতা শ্রীরামনা সীতাবু মৈদা ইক্তুনা চাংয়েং তৌখি অদুবু য়ুগ অসিদদি পূম্নমক তায়োন্নরে। ধর্মেশ মৈগী চাংয়েং মায়োক্লরি। হয়েং ওফিস হেক য়ৌবগা ছুটি লৌগনি... মদুগী হেক মতুংদা লক্ষনৌ... চৎকনি... মপি ইরা চেল্লবা মমিৎ অনীদুনা য়েংথোক্লুবদা ট্রেন লাকপদগী রেলৱেগী থোঙ্গাল অচৌবদু লাওনা হাংদোরক্লি।